# কোন্টানা সিদনি ইন্টরনেসনলগী টাইটল লৌখ্রে

সিদনি, জান্যুৰারী ১৩ :
বৃটেনগী জোহন্না কোন্টানা মফম অসিদা চংথরিবা সিদনি ইন্টরনেসনলগী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচতা অগনিজকা রাদৱানস্কাবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অনীশুবা কেরিয়রগী দব্লিয়ু টি এ টাইটল লৌখ্রে।

সিদনিদা পোকখিবী ৱর্ল্ড নম্বর ১০ দা লৈরিবী অসিনা মমাঙ চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মহাক্না মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপন অসিগী মাঙওইননা চয়োল অসিদা ৱার্ম-অপ ওইনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখিবা অসিনা ওপন অসিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইগদৌরি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী অসিনা মমাঙদা কুমজা ২০১৩ গী চেম্পিয়ন রাদৱানস্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ অনীদা মায়থীখি অদুবু ঙৰাংগী মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি অসিবু মিনিট ৮২ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা নক্কৎতুনা মায়থীবা পীখিবা কোন্টানা অনফোর্স ইররশিং তৌখ্রবসু অহানবা সেট অদু মায় পাকখি। অনীশুবা সেটতা কোন্টানা এস তরেৎ কনখিদুনা মহাক্কী অনীশুবা চেম্পিয়নশিপকী পোইন্ট লৌদুনা মায় পাকখি।

পনবা য়াই, পোলেন্দগী অগনিজকা রাদৱানস্কানা মফম অসিদা চংথরিবা সিদনি ইন্টরনেসনলগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

কুমজা ২০১৩ গী চেম্পিয়ন অমদি অনীশুবা সীদ অসিনা মশক থোক্না শান্নখিদুনা চেক্কী ১৯শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অসিবু নক্কৎখি।

মেচ অদু লোইরবা মতুং রাদৱানস্কানা হায়খিবদা, ঐনা মেচ খুদিংমক নিংথিনা শান্নখি হায়না খল্লি। ঐনা তশেংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নবা পান্মী। ঐনা কোর্টশিংবু নুংশি। ঐনা মফম অসিদা অমদি মেলবোর্নদা নুংঙাইবা পোকই। অরিংবা টুর্ণামেন্ট অসিদা ঐনা অতোপ্পা ফাইনেল অমা চঙবা ঙম্বদা নুংঙাইবা ফাওই।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ফাইনেল অনীরক চঙবা ঙমখ্রবা রাদৱানস্কানা হায়, মথংগী চয়োলদগী হৌগদৌরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক ঐহাক শেম-শারে। ঐনা মাঙজৌননা শিংথানিংঙাই ওইরবা মেচশিং শান্নখ্রে। ঐনা হেন্না শিংথানিঙাই ওইনা শান্নরি হায়না খল্লি। মেচ খুদিংমক্তা ঐনা বোলশিং নিংথিনা কনখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবনি।

# ইন্দিয়ানা তরুকশুবা নেসন'স কপ ৱিমেন'স বোক্সিংদা মেদল মঙাদি লৌগনি

ন্যু দেল্লি, জান্যুৰারী ১৩ :
ইন্দিয়ন ৱিমেন বোক্সরশিংনা সার্বিয়াগী ভরবাসতা চংথরিবা সিজন অসিগী অহানবা ৬শুবা নেসন'স কপ্তা পুজিলিষ্ট মরিনা সেমী ফাইনেল অদুগা অমনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবনা মেদল মঙাদি শুংশোয় শোয়দনা লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈখ্রে।

চংথরিবা ইভেন্ট অসিদা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিং অদুদি হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট সরজুবালা দেবী (কেজি ৪৮), প্রিয়াঙ্কা চৌধরি (কেজি ৬০), পুজা (কেজি ৬৯) অমদি হান্নগী এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট কভিটা গোয়াট (কেজি ৭৫) নি। অদুগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা বোক্সর অদুনা সীমা পুনিয়া (কেজি ৮১ মথক) নি। সীমা পুনিয়াগী ৱেঠ কেটাগোরি অসিদা বোক্সর অহুমখক্তনা শরুক য়াখি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা লৈবাক ১৮ গী বোক্সরশিংনা শরুক য়ারি। ইভেন্ট অসিদা অনৌবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) গী টেক্নিকেল রুলগী মখাদা মিনিট অহুমগী রাউন্দ অহুম শান্নরি।

সেমী ফাইনেলিষ্ট মরি অসিগী মনুংদা পুজাদি বাই ফংদুনা মেদল রাউন্দদা চঙখিবনি। কভিটা, সরজুবালা অমদি প্রিয়াঙ্কানা মখোয়গী বাউটশিং মায় পাক্তুনা খুমাঙ চাউশিনখি।

বোক্সর সরজুবালানা লোকেল ফেভোরাইট কাটারিনা জুরোভিকপু মহাক্কী ওপনিং বাউট অহানবগী মিনিট অহুমদা মায়থীবা পীখি। প্রিয়াঙ্কানা লিথুনিয়াগী ভাইদা মাসিওকাইটপু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, কভিটানা রসিয়াগী ওলগা লাপেখাবু মহাক্কী প্রিলিমিনরি কন্টেষ্টতা মায়থীবা পীখি।

নীরাজা (কেজি ৫১) না ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি অমদি ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা গ্রীসকী অইক কৌটসো-জির্ওগোপৌলৌগা লন্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অদুম ওইননমকনিংবা কায়নিংঙাই ওইবা অমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট স্বীটি বোরা (কেজি ৮১), শিক্ষা (কেজি ৫৪), সোনিয়া (কেজি ৫৭), সিমরঞ্জিৎ কৌর (কেজি ৬৪) অমদি পুজা (কেজি ৬৯) না মায়থীহৌখি। মখোয় প্রিলিমিনরি ষ্টেজদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। মসিদা শিক্ষা, সোনিয়া অমদি স্বীটিনা ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট ওইখি।

টুর্ণামেন্ট অসি দিবেন্দ অনীরোম নুপাগী কোচ ওইনা পুদুনা লাকখিবা গুরবক্স সিংহ সান্ধুনা নৌনা নুপীগী কোচ ওইখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ওইরি।

# পি দব্লিয়ু এল ২০১৭ : জয়পুর নিঞ্জাসনা য়ুপী দঙ্গলবু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, জান্যুৰারী ১৩ :
জয়পুর নিঞ্জাসনা মফম অসিগী কে দি জাধভ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চংথরিবা প্রো রেষ্টলিং লীগ সিজন টুগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা বাউটতা য়ু পি দঙ্গলবু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমঙ চাউশিনখ্রে।

য়ু পিনা টোস ঙমদুনা নুপাগী কেজি ৫৭ কী কাঙলুপপু ব্লোক তৌনবা লেপখি। অদুগা য়ু পিনা নুপীগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপপু ব্লোক তৌখি।

মায় পাকখিবা অসিনা জয়পুর নিঞ্জাসনা পি দব্লিয়ু এল টুগী অহানবা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখ্রে। মখোয়না ফংখিবা গেম মরিগী মনুংদা অপুনবা পোইন্ট তরুক লৌখি।

চৈরক অসিদা ষ্টার রেষ্টলর গীতা ফোগাট মশাগী ফীভম ফত্তবদগী ফিট ওইদনা লাকখিবা অদু শান্নবা ঙম্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। য়ুপি দঙ্গলনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মেচ অমা শান্নগদবা ৱাৎলি। হায়রিবা মেচ অদুদা গীতা ফোগাটনা শরুক য়াদুনা শান্নগনি। অদুমকপু মখোয়না টুর্ণামেন্ট অসিদা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈখ্রবনি।

গীতা ফোগাটনা মহাক্কী মেচতা রিও ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি দেল্লিগী সুল্টান্সকী গ্রেপ্লর সক্সি মালিককা লন্বা তৌদুনা শান্নগনি। মেচ অসিগীদমক মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি।

নুপাগী কেজি ৭৪ গী কাঙলুপ্তা জোর্জিয়ান রেষ্টলর অমদি য়ু পিগী শান্নরিবা টারিএল গাফ্রিন্দাশিভিলি অমদি জয়পুরগী জাকোব মাকারাশিভিলিনা লন্বা তৌদুনা শান্নখি। মদুদা মাকারাশিভিলিনা ৬-৪ দা মায় পাকখি।

কেজি ৫৮ গী নুপীগী কাঙলুপ্তা জয়পুরগী পুজা ধান্দানা য়ু পিগী নহা ওইরিবী মনিশাবু দোমিনেট তৌনা শান্নখিদুনা ৮-৪ দা মায়থীবা পীখি। মনিশানা ষ্টার রেষ্টলর গীতা ফোগাটকী মহুৎ শিনখি। মহাক্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা পুজা ধান্দাগী মায়োক্তা চঙশিনবা ঙমখিদে। ধান্দানা অকনবা মওংদা এটেক তৌখিদুনা পোইন্টশিং লৌখিদুনা মায় পাকখি।

নুপাগী কেজি ৬৫ গী কাঙলুপকী বাউটতা য়ু পিগী এন্দ্রে কভিয়াট-কোভস্কিনা জয়পুরগী রাহুল মানবু মায়থীবা পীখিদুনা য়ু পিবু মখা তাবা মেচকীদমক পুশিনখি।

রাহুলনা বাউট অদুগী অঙনবদা পোইন্টশিং লৌখ্রবসু য়ুক্রেনিয়নগী রেষ্টলর অসিনা অথুবদা খুৎ হল্লকখিদুনা ৮-৪ দা মায়োক্নখিবা লন্বাবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

নুপীগী কেজি ৫৩ গী কাঙলুপ্তা য়ু পিগী পিঙ্কিনা জয়পুরগী বেনেজুয়েলান রেষ্টলর বেটজাবেথ আর্গুলোবু ৮-১ দা মায়থীবা পীখি। পিঙ্কিনা ববিতা কুমারিগী মহুৎ শিন দুনা চঙলকখিবনি। পিঙ্কিনা অনীশুবা রাউন্দদা আর্গুলুগো মায়োক্তা মতীং থোক্না শান্নখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মহাক্না মখা তানা পোইন্ট মরি অমগা লৌখিদুনা মায় পাকখি।

নুপাগী কেজি ৯৭ কী হেভি ৱেঠকী কাঙলুপকীদা জয়পুরগী কেপ্টেন ইলিজবার ওদিকাদজেনা য়ু পিগী মৌসাম খাত্রিবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা লাক্লি। জোর্জিয়ানগী রেষ্টলর অসিনা মশক থোক্না শান্নখিদুনা খাত্রিবু খুবাম চেৎনা পায়শিনখিদুনা নক্কৎখি।

# চিনাবু চহী ১ ইন্টরনেসনল ৱেঠলিফটিং কম্পিটিসনদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রে

বার্লিন, জান্যুৰারী ১৩ : চাইনিজগী নুপী ৱেঠলিফটর অহুম মখোয়গী ময়ুম বৈজিংদা কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা গেমসদা দোপিং তৌখিবগীদমক মখোয়গী মেদলশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা চিনাবু চহী অমা ইন্টরনেসনল ৱেঠলিফটিং কম্পিটিসনদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রে।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না হায়খি, বৈজিং ওলেম্পিক গেমসদা গোল্ড মেদল লৌখিবী কাও লৈ (কেজি ৭৫), চেন জিজিয়া (কেজি ৪৮) অমদি লিয়ু চুনহোং (কেজি ৬৯) গী গেমস অদুদা লৌখিবা সেম্পল অদু টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম শিজিন্নরম্বগী খুদম চাংদম ফংখিবদগী মখোয়বু দিসক্কালিফাই তৌখি। টাইৱান, রসিয়া অমদি কাজাখষ্টানগী লিফটরশিংবু মখোয়না হান্না ফংখিবা মেদল অদুগী মহুৎ গোল্ডদা ওনখৎলগনি। অদুম ওইনমক মখোয়বু দোপিং টেষ্টকী রি-এনালাইসিসতা ফেল ওইগদ্রা-ওইরোইদ্রা হায়বদু খঙবদি ঙমদ্রি।

আই ও সিনা বৈজিং অমদি লন্দন ২০১২ ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা এথলেট মঙা অমসু দিসক্কালিফাই তৌখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা বেলারসকী নাদজেয়া চুক য়াওরি। মহাক্না বৈজিংদা পাঙথোকখিবা নুপীগী শোট পুট কম্পিটিসনদা অহুমশুবা তাখি। মহাক্কী সেম্পল অদু টেষ্ট তৌবদা এনাবোলিক ষ্টেরোইদস শিজিন্নরম্বগী খুদম চাংদম ফংখি।

পনবা য়াই, ইন্টরনেসনল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন্না মমাঙ চহীদা ফোঙদোকখিবদা বৈজিং অমদি লন্দনগী সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অহুম নৎত্রগা মসিদগী হেনবদা ফেল ওইরবা লৈবাকশিং অদু চহী অমা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন পুন্নমক্তগী অথিংবা থমগনি হায়বা ৱাফম থমখিবনি।

বৈজিং অমদি লন্দন গেমসতগী দোপিং সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা হৌজিক ফাওবদা দোপিং ওফেন্দর ১০০ দগী হেন্না লৈরে। মসিদা রসিয়ানা খ্বাইদগী কেস মশিং য়াম্না লৈরি। ৱেঠলিফটিং, এথলেটিক্স, সাইক্লিং, স্বিম্মিং অমদি রেষ্টলিং ইভেন্টতা অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অরানবশিং ফংলি।

# ইন্দিয়ানা ফিফা রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা মফম ৬ হায়গৎলগা ১২৯শুবা মফমদা লৈখ্রে

জুরিক, জান্যুৰারী ১৩ :
ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী ১০ রোমগী মতুংদা ফিফা রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী তরুক হায়গৎলগা ১২৯ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা শগোলশেল নুমিৎতা থোকখিবা মসিগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা হান্না লৈরম্বা মফমদগী তরুক কাখৎলগা ১২৯শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

পনবা য়াই, হৌখিবা কুমজা ২০০৫ গী দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইনা ১২৭শুবা মফমদা লৈখ্রবা মতুং হন্দক অমুক ফিফা রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা ঙম্বসু ওইরে। মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা ১৭৩শুবা রেঙ্কতা লৈরম্বা অদু চহী অনী ফাদ্রিঙৈদা মফম ৪২ কাখৎলক্তুনা থাক ৱাংনা লৈরকপদা মালেমগী মিৎয়েং চিংশিন্নফম ওইরি।

ইন্দিয়ানা শান্নখিবা ইন্টরনেসনল মেচ ১১ গী মনুংদা মেচ মাপন মায় পাকখি। মমাঙ চহগী সেপ্টেম্বর থাদা মালেমগী ১১৪শুবা মফমদা লৈখিবা লৈরম্বা পুর্টোরিকোবু গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবা অদুনা ইন্দিয়ানা রেঙ্কিংদা হায়গৎলক্নবগী চাউরবা মরম ওইখি।

ফিফাগী অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা মকোক থোংবা লৈবাক ৩৪ দি হান্নদগী অহোংবা অমত্তা লৈতনা লৈরি। অর্জেন্টিনা, ব্রাজিল অমদি জর্মনিনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এস এফ) গী জেনরেল সেক্রেটরি কুশাল দাসনা হায়খি, কুমজা ২০০৫ গী দিসেম্বর মতুংদগী নেসনল টিমনা মসিগী খ্বাইদগী ফবা রেঙ্কতা লৈখিবা অসিনা ঐখোয়দা অপেনবা অমদি চাউথোকচবা ওইহল্লে। রেঙ্কিং অসিনা থা অসিগী অরোইবদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়রস ২০১৯ গী দ্রোদা ঐখোয়না পোট টুদা লৈবা ঙম্লগনি। ঐখোয়না অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১১ গী এসিয়ন কপকী ক্বালিফাই ওইখি অমদি কুমজা ২০১৯ গী য়ু এ ঈদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদসু অমুক হন্না ক্বালিফাই ওইবা ঙমগনি হায়না আশা তৌরি।

নেসনল কোচ ষ্টেফন কোনষ্টান্টিননা হায়খি, ঐগী মতমদা চহী অনীরোমদি অফবা রেঙ্কিংদা লাক্লি হায়না ঐনা খল্লি। ঐখোয়না খনবা অমদি অপাম্বা অদুদা লাক্তুনা মায় পাক্না চঙশিল্লি। ঐখোয়গী রেঙ্কিং অসি কুমজা ২০০৫ দগী হেন্না ৱাংলে, মসি ইন্দিয়ন ফুটবোলদা মশক থোকপা অমনি হায়খি।

# লোরেস ৱর্ল্ড স্পোর্টসমেন ওফ দ ইয়র এৱার্দকী লমজেলদা শক্নাইরবা কয়ানা হিদান্নরি

মোন্টে কার্লো, জান্যুৰারী ১৩ :
লোরেস ৱর্ল্ড স্পোর্টসমেন ওফ দি ইয়র এৱার্দকী লমজেলদা স্প্রিন্টর উসেন বোল্ট, ফুটবোল্লর খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি টেনিস শান্নরোয় এন্দি মরেনা অকনবা লন্বা তৌনরি।

এৱার্দ অসিগী নোমিনেসনদা মিটর ৫,০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০ গী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন বৃটেনগী মো ফরাহ, বাস্কেটবোল শান্নরোয় ষ্টেফেন করি অমদি লেব্রোন জেমসনচিংবা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং য়াওরি। রোনাল্ডোদি নোমিনেসন অহুম তৌদুনা ইন্দিভিজুয়েলদা নত্তনা পোর্টুগাল অমদি রিয়েল মেদ্রিদকী টিমদসু য়াওরি। রিও দি জানৈরোগী ওলেম্পিয়ন অমদি পেরালিম্পিক ষ্টারশিংসু তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ্তা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেট তৌখি।

ৱর্ল্ড স্পোর্টসৱিমেন ওফ দ ইয়র এৱার্দকী নোমিনেসনদা ওলেম্পিয়নশিং অমেরিকাগী সাইমন বিলস, কেটি লেদেক্কি অমদি অলিসন ফেলিক্স, টেনিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বর, জমাইকাগী স্প্রিন্ট ষ্টার ইলেন থোম্পসন অমদি বৃটিশকী সাইক্লিষ্ট লোরা কেন্নিনি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদল মঙা অমদি সিলভর মেদল অমা লৌদুনা খ্বাইদগী মায় পাক্লবা ওলেম্পিয়ন ওইখিবা য়ু এসকী স্বিমর মাইকেল ফেল্পসনা লোরেন্স ৱর্ল্ড কমবেক ওফ দ ইয়রগী নোমিনেসনদা মাঙজিল থারি।

অমরোমদা, মেদিয়ানা খনগৎলবা অতোপ্পা এথলেটশিংগী মনুংদা স্পেনগী হায় জম্পর রুথ বৈটিয়া, অর্জেন্টিনাগী দেভিস কপ ৱিন্নর জুঅন মার্টিন দেল পোট্রো, বৃটেনগী সো জম্পর নিক স্কেল্টন, মোরিসসকী ট্রাইথলেট ফেবিন সেন্ট লুইস অমদি নোর্ৱেগী স্কাইয়র এক্সেল লন্দ এসভিন্দাল য়াওরি।

লোরেস ৱর্ল্ড টিম ওফ দি ইয়র এৱার্দকী লমজেলদা মার্সিদিজ এ এম জি পেট্রোনাসপু থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা নোমিনেট তৌদুনা অতোপ্পা টিম অহুম য়ুরো চেম্পিয়ন পোর্টুগাল, চেম্পিয়ন্স লীগ ৱিন্নর রিয়েল মেদ্রিদ অমদি ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট ব্রাজিলগা লন্বা তৌনরি। অদুগা য়ু এস এগী টিম চিকাগো কবস, এন বি এ চেম্পিয়ন্স ক্লেভলেন্দ কভালিয়র্সসু লিষ্ট অসিদা য়াওরি।

লোরেস ৱর্ল্ড ব্রেকথ্রু ওফ দ ইয়র এৱার্দকী নোমিনেসনদা ফোর্মুলা ৱানগ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিকো রোজবর্গ, ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খিবা ওলেম্পিয়ন অলমাজ অয়ানা অমদি ৱেদ ভান য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট আইরলেন্দ অমদি ওলেম্পিক রগবি সভেন্সগী গোল্ড মেদল ৱিন্নর ফিজি য়াওরি।

লোরেস ৱর্ল্ড স্পোর্টস পার্সন ওফ দ ইয়র ৱিথ এ দিসএবিলিটি এৱার্দকী লমজেলদা রিও পেরালিম্পিক গেমসগী ওলেম্পিয়নশিং নোমিনেট তৌরি। মখোয় অদুদি স্বিমর বেলারসকী ইহার বোকি অমদি নু জর্সিগী সোফি পাস্কো, ক্যুবাগী স্প্রিন্টর ওমারা দুরান্দ, ইরানগী ৱেঠলিফটর সিমান্দ রাহমন, স্বিসকী হ্বিলচ্যের রেসর মার্সেল হগ অমদি ইটালিগী ফেন্সর বেট্রিস ভিও য়াওরি।

লোরেস ৱর্ল্ড স্পোর্টসপার্সন ওফ দ ইয়র এৱার্দতা নুপা অমদি নুপীগী সর্ফিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্স জোন জোন ফ্লোরেন্স অমদি টিলর রাইট, স্নোবোর্দর ক্লো কিম, স্কেটবোর্দর পেদ্রো বারোস, মাউন্টেন বাইকর রাচেল অর্থটন অমদি ইষ্টোনিয়াগী ফ্রীষ্টাইল স্কায়র কেল্লি সিল্দর য়াওরি।

লোরেস ৱর্ল্ড স্পোর্টস একাদেমীনা ভোট থাদদুনা খনগদৌরিবা ৱিন্নরশিং লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৪ দা মোনাকোদা লাউথোক্কনি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Only25 Seats per class (each section)
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL &ENGINEERING COURSE (2017)
COHSEM
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
CBSE
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
Class xii Sc./Arts (COSEM) 22nd Dec. 2016
Class xii Sc./Arts(CBSE) 22nd Dec.
Class x-SA II 21st Dec.
Special RevisionX &foundationCourse for ix,x
Early morning batch 6am to 10am (25 seats)
Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm
Early evening batch 3pm to 7pm (25 seats)
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
starting from 21st,23rd Dec.
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
HL-B/3471/29N 1-31D

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 15th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd Dec. 2016 Limited Seat

Felicitation of Toppers of HSLCE 2016
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
Contact : 9856988840, 9402897710, 8732022342
HL-B/9696/12D1-11D2